# মাপল শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেস্নেল

## য়ুনাইটেদ ষ্টেট ওফ অমেরিকা অমদি ইংলেন্দ মায়পাকখ্রে

এস এন এস

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ** ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা চথরিবা ৯ শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেল ২০১৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেট ওফ অমেরিকা য়ু এস এ না থাইলেন্দবু পাঁঙ্গল ৮–৩ দা অমদি ইংলেন্দনা অষ্ট্রেলিয়াবু পাঙ্গল ৯–৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

য়ু এস এ অমদি থাইলেন্দনা শান্নখিবা মেটচকী য়ু এস এ গী পাঙ্গল ৮ অদু জরেদ থোমাস সেলদননা পাঙ্গল মরি , জোস্বা সেলটনা পাঙ্গল অনী অমদি পিটর জেমস ব্লেকনা পাঙ্গল অমা চনখিবনি।

থাইলেনগী পাঙ্গল অহুম অদুনা সুফচাই সুখমফানা পাঙ্গল অনী অমদি ভোরজিৎ ৰোংক্রাসোনা পাঙ্গল অমা চনখিবনি।

য়ু এস এগী পাঙ্গল ৮ অদু অহানবা অমদি অনীশুবা চকরদা পাঙ্গল ৪ / ৪ চনখিবনি। থাইলেন্দগী পাঙ্গল ৩ অদুনা অহুমশুবা চকরদা পাঙ্গল অনি অমদি অনীশুবা চকরদা পাঙ্গল অমা চনখিবনি।


ইংলেন্দ অমদি অষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা ৬ শুবা মেটচকী মতাং অমা

ইংলেন্দ অমদি অষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা মেটচগী ইংলেন্দগী পাঙ্গল মপাল অদু মাকইকহাওনা পাঙ্গল মঙা, জেক এলদ্রিসন্না পাঙ্গল অনী অমদি মারকসনা পাঙ্গল অমা চনখিবনি।

অষ্ট্রেলিয়াগী পাঙ্গল ৭ অদুনা জেক অচি 'বালনা পাঙ্গল ৫ অমদি জেমস হেনরি দেলনা পাঙ্গল অনি চনখিবনি।

ইংলেন্দগী পাঙ্গল ৯ অদু অহানবা চকরদা পাঙ্গল ৩ , অনিশুবা চকরদা পাঙ্গল ১, অহুমশুবা চকরদা পাঙ্গল ২ অমদি অরোইবা অমদি মরিশুবা চকরদা পাঙ্গল ৩ চনখিবনি।

অষ্ট্রেলিয়াগী পাঙ্গল ৭ অদুনা অহানবা চকরদা পাঙ্গল ১, অনীশুবা , অহুমশুবা অমদি মরীশুবা চকরদা পাঙ্গল ২ /২ চনখিবনি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়া অমদি ইংলেন্দগা অমসুং অনীশুবা মেটচতা অষ্ট্রেলিয়া অমদি থাইলেন্দ শান্নরগনি।

# ১৯ শুবা সব–জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না অমদি দি এফ এ থৌবালবু মায়থিবা পীখ্রে

এস এন এস

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা হৌখিবা থা অসিগী ২০ দগী অর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা চথরিবা ১৯ শুবা সব–জুনিয়র বোইজ ইন্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুনামেন্ট ২০১৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালবু গোল ১৪–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন অমদি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিং গোল ৩–৩ দা দ্রো ওইখ্রে।

অহান্বা গ্রাউন্দ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন অমদি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহান্বা হাল্ফকী মতম লোইবা ফাওবদা ককচিংনা গোল ৩–১ দা মাংজিল থাদুনা চংখি।

অনিশুবা হাল্ফকী শরুক্তা ইম্ফাল ৱেষ্টনা শোত্থনা লৈখিবা গোল অনী অদু হন্দোক্লগা গোল ৩–৩ দ্রো ওইখিবনি।

ককচিংগী গোল ৩ অদু কিষন্না ১৪ অমদি ২৭ শুবা মিনিটতা গোল অনী অমসুং রিয়াজ খান্না ২২ শুবা মিনটতা গোল অমা চনখিবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টগী গোল অহুম অদুনা এন রঞ্জন্না ৩৫, ৬২ অমদি ৬৫ শুবা মিনটতা চনখিবনি। ককচিংগী সন্তোইদা রেফরিনা ৪৮ শুবা মিনটতা য়েল্লো কাদ অমা পীখি।

ঐচ সন্তোস, আর কে রঞ্জন, এল প্রেবিচান্দ অমদি এল রোজিৎ মৈতৈনা সেন্টর রেফরি, এসিসটেন্ট রেফরি ৱান, এসিসটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইদুনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন অমদি দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শান্নখিবা মেটচগী ইম্ফাল ইষ্টকী মাই পাকপগী গোল ১৪ অদু পি ঐচ তোলেন্না ৬১, ৬৩, ৭৪ অমদি অহাপ্পা মতমগী অহানবা মিনট ৮১ শুবদা গোল মরী , এন জি রকেসনা ১৩, ৩২ অমদি ৫৫ শুবা মিনটতা গোল অহুম , টি ঐচ জিৎনা ২৪, ৭২ অমদি অহাপ্পা মতমগী অহুমশুবা মিনট ৮৩ দা গোল অহুম, এ সনাথোইন্না ৫৭ অমদি ৭৩ শুবা মিনটতা গোল অনী, এম দি জকিরখান অমদি পি ঐচ বোস্না ১১ অমসুং ৮০ শুবা মিনটতা গোল ১–১ চনখিবনি। ইম্ফাল ইষ্টকী এ সনাথোইদা রেফরিনা ৩৫ শুবা মিনটতা য়েল্লো কাদয় অমা পীখি।

টি ঐচ পর্সুরাম, টি ঐচ অরুনকুমার, টি ঐচ কিরনকুমার অমদি টি ঐচ সোমোজিৎনা সেন্টর রেফরি, এসিসটেন্ট রেফরি ৱান এসিসটেন্ট রেফরি টু অমদি ফোথ ওফিসিয়েল ওইদুনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

মথংগী মেটচশিং তাং ২৬ তা শান্নরগনি, অহানবা মেটচতা দি এস এ বিষ্ণুপুর অমদি দি এফ এ থৌবালগা নুথিলগী পুং ১২.৩০ দা অমসুং অনিশুবা মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনগা নুথিল পুং ২.৩০ দা শান্নরগনি।


ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন অমদি দি এফ এ থৌবালনা শান্নখিবা মেটচগী মতাং অমা

# বিরমঙ্গল কলেজ অমদি ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

এস এন এস

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ** বিরমঙ্গল কলেজ সওম্বুং অমদি ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজনা কেপ্টেন শানৌজম ইঙো সিংহ রিটয়র মেন অমদি শানৌজম ওংবী নলনি দেবী ৱুমেন মণিপুর য়ুনিভসিটি ইন্টর কলেজ হেন্দবোল টুনামেন্ট ২০১৫ গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভসিটি স্পোর্টর্স কম্মিটি কঞ্চিপুরগী মীৎয়েং মখাদা বিরমঙ্গল কলেজ সওম্বুংনা শিন্দুনা থা অসিগী ২২ দগী কলেজ অসিগী গ্রাউন্দ চথরকখিবা হেন্দবোল টুনাটমেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেনগী ফাইনেল মেটচতা বিরমঙ্গল কলেজ সওম্বুংনা মণিপুর কলেজবু গোল ২২–১৫ দা মায়থিবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

বিরমঙ্গল কলেজগী গোলশিং অদু কে বিনোদ অমদি এন প্রবিন্না গোল ৬ / ৬, টি ঐচ নাওচানা গোল ৪, টি মেগজিৎ অমদি এম থোমজন্না গোল ৩।৩ চনখিবনি। মণিপুর কলেজগী গোলশিং অদুনা টি ঐচ রঞ্জন্না গোল ৮ , টি দিনমাণিনা গোল ৩, টি সসিকান্তনা গোল অনী, এস থোমাস অমদি এস ঐচ অমরজিৎনা গোল অমমম চনখিবনি।

ৱুমেনগী ফাইনেল মেটচতা ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজনা বিরমঙ্গল কলেজবু গোল ১০–৭ দা মায়থিবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

ৱাইখোম মণি গালর্স কলেজগী গোলশিং অদু টি ঐচ রোসিবালানা গোল ৫ , সি ঐচ লক্ষমিনা গোল ৩, এল অঞ্জুবালা অমদি টি রধাপ্যারিনা গোল অমমম চনখিবনি। বিরমঙ্গল কলেজগী গোলশিং অদুনা টি ঐচ বিমোলাতানা গোল ৩ , বৌসেরানা গোল ২, টি ঐচ হিরা অমদি বিদ্যাপটিনা গোল অমমম চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভসিটিগী স্পোটর্সকী এসিসটেন্ট দাইরেক্টর ডাঃ সি ঐচ প্রদিপ সিংহ, বিরমঙ্গল কলেজগী প্রিন্সিপাল ইন–চার্জ অমদি দোনর ওইরিবা কেপ্টেন এস ইঙো সিংহনা মথং শিংনা চিফ গেষ্ট , প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা মনা মথুমশিং য়েন্থোকখি।

# ফুটবোল লিগ য়ৈথোকখ্রে

এস এন এস

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা এস দব্লিউ সি গ্রাউন্দ খোংমন্দা চথরিবা ঙাংখম বোবোই মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০১৫ করিগুম্বা খুদোংচাদবা খরগী মতম কক্তনা য়ৈথোকখে। অনৌবা ফিক্সর থোক্লবা মতুংদা মখা তাবা মেটচশিং শান্নগনি হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েনগী এসিসটেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী থাংজম ওজিৎ সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমা ফোঙদোরক্লি।

# অম্ফা সেনিয়র ৱুমেন ফুটবোল লিগ হৌরগনি

এস এন এস

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী টিম ৫ না শরুক য়াদুনা আর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা ৭ শুবা অম্ফ সেনিয়র ৱুমেন ফুটবোল লিগ ফোর বি এম সিংহ ট্রোফি ২০১৫ হৌরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফিক্সর মখাদা পীরি।

**PARTICIPATING TEAMS**

1. YWCL, Langthabal
2. MPSC, Manipur
3. ESU, Wangkhei
4. NYTHC, Okram Chuthek
5. KRYPHSA,Naoremthong

Venue:- Artificial Turf Ground, Khuman Lampak

| Date | Time | Match No. | Teams | | |
|---|---|---|---|---|---|
| 29/11/2015 | 12:15 P.M. | 1 | YWCL | VS | NYTHC |
| | 2:15 P.M. | 2 | MPSC | Vs | ESU |
| 1/12/2015 | 12:15 P.M. | 3 | KRYPHSA | Vs | ESU |
| | 2:15 P.M. | 4 | YWCL | Vs | MPSC |
| 3/12/2015 | 12:15 P.M. | 5 | NYTHC | Vs | MPSC |
| | 2:15 P.M. | 6 | KRYPHSA | Vs | YWCL |
| 5/12/2015 | 12:15 P.M. | 7 | ESU | Vs | YWCL |
| | 2:15 P.M. | 8 | NYTHC | Vs | KRYPHSA |
| 7/12/2015 | 12:15 P.M. | 9 | MPSC. | Rs | KRYPHSA |
| | 2:15 P.M. | 10 | ESU | Vs | NYTHC |

# সব–জুনিয়র নেসনেল ভোলিবোল

এস এন এস

**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ** টেলঙ্গানাগী নরাসপুর মেদক দিষ্ট্রিক্তা চথরিবা ৩৮ শুবা সব–জুনিয়র বোইজ এন্দ গালর্স নেসনেল ভোলিবোল চেম্পিয়নসিপ ২০১৫ গী ঙসি শান্নখিবা বোইজগী গ্রুপ (এ)গী লিগ মেটচশিংদা মণিপুরনা জম্মু এন্দ কস্মির অমদি বিহার মায়থিবা পীখ্রে।

গালর্সকী শান্নখিবা গ্রুপ (দি) মেটচশিংদা মণিপুরনা পঞ্জাব মায়থিবা পীখ্রে অমদি মণিপুর কর্নাটাগী মখুৎতা মায়থিখ্রে।

বোইজকী শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরনা জম্মু এন্দ কস্মিরবু সেট ৩–২ (২৩–২৫, ২৪–২৬, ২৫–১৬, ২৫–১৮, ১৫–১১) অমদি মণিপুরনা বীহারবু সেট ৩–০ ( ২৫–১৭, ২৫–১৯, ২৫–২০) দা মায়থিবা পীখি।

গালর্সকী মেটচতা মণিপুরনা পঞ্জাবপু সেট ৩–১ (২৫–১৮, ১৯–২৫, ২৫–১৬, ২৫–১৫ ) মায়থিবা পীখি। কর্নাটাকানা মণিপুরবু সেট ৩–০ (২৫–১৪, ২৫–১৯,২৫–১৫) দা মায়থিবা পীখি।

# ইন্টর ভিলেজ ভোলিবোল টুর্নামেন্ট

এস এন এস


**ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ** য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব অরোং খুনৌ অৱাং লৈকায় থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দ অহানবা ইন্টর ভিলেজ মেন ওপন ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫ গী ক্বাটর ফাইনেলগী মেটচশিং ঙসি শান্নবা লোইশিনখিবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেলদা শান্নগদবা টিমশিং খঙখ্রে।

ক্বাটর ফাইনেলগী মেটচশিংদা ৱাই পি সি লৌকোক্পা এস ভি এ সেকমাইজিন্নু সেট ৩–২ ( ২৫–২১, ১৬–২৫, ২২–২৫,২৫–২১, ১৫–১০)দা, ৱাই এস সি কে খেলাখোংনা ৱাই পি এ হিরানমৈবু সেট ৩–১ (২৩–২৫,২৫–২০,২৫–১৪,২৫–২৩) দা, অমদি ৱাই দি সি (বি) অরোংনা এল এল এম সি লৈমপোকপম্নু সেট ৩–০ (২৫–১৯,২৫–১৫,২৫–১২) তা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে। অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই পি সি লৌকোক অমদি এন ৱাই ভি এ নাওরেমগা অমসুং অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাই দি সি (বি) অরোং অমদি ৱাই এস সি কে খেলাখোংগা শান্নরগনি । ফাইনেল মেটচনা নুথিলগী পুং ১ দা শান্নরগনি।












Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*